## হোকি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ (বি দিভিজন)

# মণিপুর হোকিনা হোকি মধ্য ভারতপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ :

উত্তর প্রদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা লক্ষনৌদা জুন ৫ দগী চত্থবা হৌখ্রবা ৭ শুবা হোকি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ দিভিজন বি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা পুল দিগী মেচতা মণিপুর হোকিনা হোকি মধ্য ভারতপু ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

হোকি মণিপুর অমদি হোকি মধ্য ভারত অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। হোকি মণিপুরনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। হোকি মণিপুরনা মায়োক্নখিবা হোকি মধ্য ভারতকী মায়োক্তা গোল চন্ননবা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। অদুবু অথুবদা গোল চনবদি ঙমখিদে।

হোকি মধ্য ভারতনা মণিপুরগী সাইদতা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা হোকি মধ্য ভারতকী কুসৱা জগমোহন্না গোল চনশিনখিদুনা ১-০ দা অনীশুবা ক্বার্টরদা মাঙজিল থানা চৎখি।

হোকি মধ্য ভারতনা গোল হেক চনখিবগা হোকি মণিপুরনা মায়োক্ন খিবা মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু অনীশুবা ক্বার্টর ফাওবদি গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা মণিপুরনা হেন্না কন্না শান্নরকখিবগা লোয়ননা এটেক তৌবগী চাংসু হেনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা এন গানেন্দ্রজিৎনা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মণিপুরনা হনবা লৈতনা মায়োক্ন খিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা অমুকসু হন্না গানেন্দ্রজিৎনা মেচকী মিনিট ৪৩ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

হোকি মধ্য ভারতসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক হোকি মণিপুরগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রবসু কান্নবা ফংদনা লৈখি।

অরোইবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা হোকি মণিপুরনা মায়োক্নখিবা হোকি মধ্য ভারতকী মায়োক্তা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা অমরজিৎ সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

হোকি মণিপুরনা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা ভাকরনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৪-১ দা লৈখি। হোকি মধ্য ভারতসু অকনবা এটেক তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা হোৎনরকখ্রবসু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মণিপুর হোকিগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# ষ্টেট লেভেল চৈবি ইনভিটেসন টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ :

ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসন্না শিন্দুনা ১৭ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নীংশিং কুমওন থৌরম ২০১৭ কী শরুক অমা ওইনা তরুকশুবা ষ্টেট লেভেল চৈবি ইনভিটেসন টুর্নামেন্ট ২০১৭ হয়েংদগী খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা উত্রায়ন থিএটরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থা অসিগী ১১ ফাওবা টিম ২৫ না শরুক য়াদুনা চত্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা থাঙ-তাগী শিন্তাক পুরেল সাইখোম নোদিয়া মঙাঙ, ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মঙলেম মীতৈ, ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী এদভাইজর থিংবাইজম ইবোহনবী মীতৈ অমসুং ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী এদভাইজর কাঙবম শ্যামকিশ্বর মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসি জুন ১১ দা লোইশিনগনি। লোইশিনবগী থৌরমদা খুরাই নান্দেবম লৈকায়গী জিলা পরিষদ মেম্বর নাওরোইবম বসন্তি দেবী, ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মঙলেম মীতৈ, সোসিএল ৱার্কর এল বিরহরি মীতৈ অমসুং য়াসকী ৱেথলিফটিং কোচ অমদি ধ্যান চান্দ এৱার্দি লাইশংবম অনিতা চনুনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

# আর্চরি ৱর্ল্ডকপ : দীপিকা কুমারি, আন্তনু দাসনা অমুকসু হন্না নীংবা কায়খ্রে

# ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী কম্পাউন্দনা সেমী ফাইনেলদা লৈহৌরে



অন্তালয়া, জুন ০৯ :

দীপিকা কুমারিনা টর্কিগী অন্তালয়াদা চত্থরিবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী অনীশুবা ষ্টেজগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রবসু ইরাই নুমিৎতা চত্থখিবা ৱিমেন'স রিকভ ইভেন্টকী মরিশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী লি সী চিয়ানা নমহৎখিদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে।

প্লে ওফ মেচ অদুদা প্লেয়র অনী সেট মঙা মপূং ফানা লোইখিবা ফাওবদা পোইন্ট মঙা লৌখি। টাই ৱ্রেক্তা কুমারি অমদি সিহা চিয়ানা নিপানশুবা মফমদা লৈখি। অদুবু চাইনিজ টাইপৈগী প্লেয়র অসিনা টার্গেট মপা নক্না কাপখিবা তেন অমনা ৱিন্নর ওইখি।

নুপাগী রিকর্ভ ইভেন্টতা আন্তানু দাসনা মালেসিয়াগী মোহম্মদ অকমল নুর অর্সিনগী মখূৎতা অহুমশুবা রাউন্দদা ৬-২ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

দনিরাম বাসুমাটরিনা ফ্রান্সকী জিন চার্লেস ব্লাটোনকী মখূৎতা ৬-০ দা মায়থীখ্রবসু ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি।

নুপা অমদি নুপীগী কম্পাউন্দ টিম অমসুং মিক্স টিমনা হয়েং শান্নগদবা প্লে ওফতা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

অমরোমদা নুপা অমদি নুপীগী কম্পাউন্দ টিমনা মফম অসিদা চত্থরিবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ টুগী সেমী ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে।

সাংহাইদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেজগী ৱর্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেদল লৌদুনা মখোয়গী পুৱারী শেমখিবা নুপাগী কম্পাউন্দ টিমনা অনীশুবা সীদেদ দেনিস টিমগী মখূৎতা ২৩৪-২৩৬ তা মায়থীহৌখি।

কম্পিটিসন অদুগী ময়ায় চল্লকপা তাঞ্জাদা পোইন্ট ১১৭ লৌদুনা লৈখিবা নুপীগী টিমনা টোপ সীদ দেনমার্ককী মখূৎতা ২৩০-২৩৩ দা মায় পাকখি। ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী টিমনা হৌজিক ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক মথংশিৎনা ফ্রাঞ্চ অমদি ইটলিগা লম্বা তৌদুনা জুন ১০ দা শান্নগনি।

নুপাগী রিকর্ভ সেক্সন্দা ইন্দিয়ানা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী মখূৎতা ০-৬ তা মাথীখিহৌখি। অদুগা নুপীগী সাইদনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী মখূৎতা ০-৬ তা মায়থীখি।

দানিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ষ্টেফান হান্সেন্না লুচিংলিবা টিম অসিদা এন্দ্রেস দালুম মার্টিন দালসপোনা নিংথিনা কাপখিদুনা পোইন্টশিং লৌখি।

অহুমশুবা সীদেদ অভিসেক বর্ম্মা, চিনা রাজু, শ্রীথর অমদি গুরবিন্দর সিংহনা দেনিসকী টিমনা মশক থোক্না উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুগী পাউখুম পীবা ঙমখিদে।

হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা টোপ সীদ দীপিকা কুমারিদা মীয়ামগী মিৎয়েং থম্ন খ্রবসু মহাক্কী ইভেন্টতা মায়থীহৌবদগী মেদলগী আশা মাঙহৌখি।

মোনিকা সরেন্না হয়েং অতোপ্পা ইনি দয়ন অনী প্রিটি অমদি অনকিটা বগটকা পূন্না এক্সন তৌগদবা অদু উবা ফংলগনি। ৩১ শুবা সীদেদ মোনিকানা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখি অমদি মহাক্না ৩৪ শুবা সীদ য়ুক্রেনগী অনাষ্টাসিয়া পাবলোবাবু ৭-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মহাক্না রাউন্দ অহুমশুবদা চাইনিজ টাইপৈগী পেং চিয়া মাওগা অকনবা চেলেঞ্জ তৌনদুনা মায়োক্নরগনি। ৪৫ শুবা সীদ প্রীটিনা নিংথিনা শান্নবা হৌরকখিদুনা আইসলেন্দগী অষ্ট্রি দেক্সবোকপু ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। মখোয়না ২০ শুবা সীদ স্লোবেনিয়াগী অনা উমরগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। ৪৯ শুবা সীদ অঙ্কিতানা কাজখষ্টানগী কাসকারোবাবু ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

ওলেম্পিয়ান অন্তানু দাস অমদি দনিরাম বাসুমাটারিনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফৱা আর্চরশিং ওইখি। লৈবাক অসিগী ফ্লেগ বিয়ারর অনী মেন রিকর্ভ সেক্সন্দা ইন্দ্রজিৎ শ্বামি অমদি বিশ্বাসনা অনীশুবা রাউন্দগী মপান থোখি। তরেৎশুবা সীদ দনিরামনা রাউন্দ থ্রিদা বাই ফংখি।

হৌজিক মহাক্না ২৬ শুবা সীদ হরসলান বালগানোবকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ১৩ শুবা সীদ টাজনা মহাক্কী কেম্পেনগী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী নিগুরেল টিফার দুজিলোবু ৭-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মহাক্না মালেসিয়াগী মোহম্মদ অকমল নুর অশ্বিনগা লম্বা তৌদুনা চাংয়েংনরগনি। শ্বামিনা অর্মেনিয়াগী লেবোন পোগোস্যানগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কম্পাউন্দ ইন্দিভিজুএল সেক্সন্দা বর্মানা ৫৫ শুবা সীদ গুদমুন্দর ওর্ন গুদজোসনবু ১৪৬-১২৬ তা মায়থীবা পীখি। বর্মানা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা টিম মেট শ্রীথরগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

# জিতু রাইনা গবলা শুটিং ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌরে



ন্যু দেল্লি, জুন ০৯ :

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী শিলভর মেদলিষ্ট জিতু রাইনা গবলাদা চত্থরিবা শুটিং ৱর্ল্ড কপকী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ফ্রী পিষ্টল ফাইনেলদা পোইন্ট অমখক্তদা মায়থীহৌদুনা ১২ শুবা পোজিসন তাহৌদুনা লৈহৌরে।

এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল লৌখিবদা নত্তনা ৱর্ল্ড কপকী ফ্রী পিষ্টলদা গোল্ড মেদল অনী লৌখিবা মশাগী চহী ২৯ শুরবা জিতুনা মিটর ৫০ গী ফ্রী পিষ্টল ইভেন্টকী অহানবা সেরিজদা ৯৬, অনীশুবা সেরিজদা ৯৬, অহুমশুবা সেরিজদা ৯২, মরিশুবা সেরিজদা ৯৩, মঙাশুবা সেরিজদা ৯৩ অমদি তরুকশুবা সেরিজদা ৮৮ অপূনবা ৫৫৮ কাপ্তুনা ১২ শুবা মফমদা লৈখি।

অরোইবা সেরিজদা জিতুনা টেন অনীখক কাপখি। অমদি ৮৩ অমগা কাপ্তুনা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

সিজন অসিদা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা অহানবা ৱর্ল্ড কপ্তা জিতুগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা শিলভর মেদল ফংহৌখিবা অনপ্রীট সিংহসু অপূনবা পোইন্ট ৫৫৬ স্কোর তৌদুনা ১৫ শুবা মফমদা লৈহৌখি।

ইলিমিনেসন সেরিজদা পোইন্ট ৫৬০ কাপখিবা প্রকাস নাঞ্জপানা ফাইনেল রাউন্দ চঙননবগীদমক চাংদম্ন খিবদা পোইন্ট ৫৪৯ ফংখিদুনা ২৬ শুবা মফমদা লৈখি।

ইভেন্ট অসিদা উক্রেনগী ওলে ওমেলচুক্না টর্কিগী য়ুসুফ দিকেক্তগী পোইন্ট ১.৯ হেন্না কাপখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ওলে ওমেলচুক্না ২৩০.৪ (৫৬৮) কাপ্তুনা অহানবা, টর্কিগী য়ুসুফ দিকেক্না ২২৮.৫ (৫৬৩) কাপ্তুনা অনীশুবা অমদি সাফকী দামির মিকেক্না ২০৫.৫ (৫৫৯) কাপ্তুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী জিতু রাইনা পোইন্ট ৫৫৮ কাপ্তুনা ১২ শুবা মফমদা, অমনপ্রীট সিংহনা পোইন্ট ৫৫৬ কাপ্তুনা ১৫ শুবা মফম অমসুং প্রকাস নঞ্জপানা পোইন্ট ৪৪৯ কাপ্তুনা ২৬ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

নুপীগী স্পোর্টস পিষ্টলদা ৱর্ল্ড কপকী গোল্ড মেদলিষ্ট রাহি সারনোবাট অমদি ফেলো ওলেম্পিয়ান অনু রাজ সিংহনা মতিং থোক্না কাপখিদুনা পোইন্ট ৫৫৭ ফংখিদুনা মথংশিৎনা ২০ শুবা অমদি ২১ শুবা মফমদা লৈখি।

মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টল ইভেন্টতা চিনাগী লিং য়ুমৈনা ৩৬ (৫৮৯) কাপ্তুনা অহানবা, কোরিয়াগী কিম মিনজুন্না ৩৪ (৫৮২) ফংদুনা অনীশুবা অমদি চিনাগী জাং জেগিংনা ২৭ (৫৮৭) কাপ্তুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী রাহি সরনোবাটনা ৫৭৭ কাপ্তুনা ২০শুবা, অনুরাজ সিংহনা ৫৭৭ কাপ্তুনা ২১শুবা, সুরাবি পাথক্না ৫৬৮ কাপ্তুনা ৪০শুবা পোজিসন্দা লৈখি। এম ক্যু এসতা হিনা সিধুনা ৫৮০ কাপখি। হিনানা প্রেসিসন ষ্টেজদা ২৯১ অমদি রেপিদ ফায়র সেসন্দা ২৮৯ স্কোর তৌখি।

চাইনাগী লিন য়ুমৈনা গোল্ড মেদল অদুগা কোরিয়াগী কিম মিনজুংনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

# ষ্টান ৱারিঙ্কানা এন্দি মরেবু মায়থীবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে

# য়ুকি বামব্রি, লিএন্দর পেসনা এ টি পি চেলেঞ্জরদা মায়থীদুনা লৈহৌরে



পেরিস, জুন ০৯ :

ষ্টান ৱারিঙ্কানা মফম অসিদা চত্থরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এন্দি মরেবু সেট মঙাদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

স্বিসকী কুমজা ২০১৫ গী চেম্পিয়ন অসিনা এন্দি মরেবু ৬-৭ (৬), ৬-৩, ৫-৭, ৭-৬ (৩), ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। স্বিস অসিনা মমাঙগী চহীগী সেমী ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিগী মখূৎতা মায়থীখিবা অদুগী লমন খুন্বা ওইনা ঙসিগী মেচ অসিদা মরেবু ৱিন্নর ৮৭ কন্দুনা মায়থীবা পীখি।

ৱারিঙ্কানা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেলদা চঙবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা প্লেয়র অমসু ওইখি। হৌজিক মহাক মশাগী চহী ৪৪ শুখ্রে। অহুমশুবা সীদ ৱারিঙ্কানা মেচ অদু মায় পাকখিবদা চাউরাক্না পুং ৪.৩৫ চঙখি।

ৱারিঙ্কা অমদি মরে অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নখিবা মেচ অদুগী মঙাশুবা অমদি অরোইবা সেটতা টাই ব্রেক তাখিদুনা ৱারিঙ্কানা ৭-৩ দা লৈখিবগা লোয়ননা সেট অদু ৭-৫ দা মায় পাকখি।

মরেনা অহানবা সেট অদু ৭-৬ তা মায় পাকখি। অদুগা ৱারিঙ্কানা অনীশুবা সেটতা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা ৬-৩ দা মায় পাকখি।

ৱারিঙ্কানা ফাইনেল মেচতা রফেল নদাল নৎত্রগা দোমিনিক থিয়েম অনীগী মরক্তা মায় পাকপা অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী য়ুকি বামব্রি অমদি ভেটরান লিএন্দর পেসনা এ টি পি চেলেঞ্জ টুর ইভেন্টকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয় মখোয়গী মেচশিংদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

গ্রেট বৃটেন্দা চত্থরিবা সুরবিটন চেলেঞ্জগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা য়ুকিনা জর্মনগী মঙাশুবা সীদ অমদি ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৭৬ তা লৈরিবা অসিনা দষ্টিন ব্রাউনগী মখূৎতা ৬-৭(৬), ৬-২, ৫-৭ তা মায়থীহৌখি। ব্রাউন অসি জিবন নেদুনচেজিয়ানগী দবলস ইভেন্টকী পার্টনর ওইরিবনি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা টোপ সীদ আইসাম-উল-হক কুরেসি অমদি মার্কস দেনিএলগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

ঈ য়ু আর ১২৭,০০০ গ্রাস কোর্ট ইভেন্ট অসিদা মখোয়না বৃটেনগী কেন অমদি নিল স্কুপস্কিবু ওপনিং রাউন্দ মেচতা ৭-৬(৫), ৬-৭(৩), ১১-৯ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা চেক রিপব্লিক্কী প্রোষ্টেজোবকী ক্লে কোর্টতা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্টতা টোপ সীদ পেস অমদি মহাক্কী পার্টনর দেভিদ মরেরোনা মখোয়গী দবল সেমী ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদ রোমান জেবারেব অমদি হান্স পোদলিপিনিক কাষ্টিলোগী মখূৎতা ৩-৬, ৬-৪ তা মায়থীহৌখি।



HL-P/0791/24,27,29,31may,2,4,6,8,10,12 june




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com